# রেভলুস্নরি অমা ওইনা নেতা ইরাবত

- ডা. এল শশীকুমার, য়ুরেম্বম -

খৃ: কুম ১৮৯১গী খোংজোম লান্দা মায়থীরদুনা মণিপুরগী নীংতম্বা এপ্রিল ২৫, ১৮৯১দা লোইখি। মণিপুরগী লৈঙাক ৱায়েল পূন্নমক পুননবগীদমক মেজর মেক্সৱেলবু মণিপুরগী পোলিটিকেল এজেন্ট অমা ওইনা হাপখি। বৃটিশ ৱায়েলগী মখাদা টিকেন্দ্রজিৎ অমসুং থাঙ্গালবু ফাঁসি তৌদুনা ফৈদাবুংদা হাৎখি। বৃটিশকী সুপ্নম লৈঙাক্লা মণিপুরগী নীংতম্ববু মাঙহনখিবা অমসুং মদুনা পুরকখিবা অৱাবা চৈথেং, অৱাবা চৈনাখোল ময়ামদুনা মণিপুরগী সেক্সন খুদিংমক্কী পেন্দবা নুংনাংবা, নীংঙমদবা কয়া ফুমদুনা লাকহনখি।

অসিগুম্বা মীয়ামগী চিরবা তাঞ্জাসিদা পিশুম ওইনাম লৈকায়গী য়াম্না চম্বা ইমুং অমদা খৃ: কুম ১৮৯৬কী সেপ্টেম্বর ৩০দা হিজম ইরাবত পোকখি। অপোকপা-অপোকপী হিজম ইবুংঙোহল অমসুং চোংথাম চনু থম্বালঙাম্বী অনীমক নৌনা কায়নখ্রবদা মনে ইবেম্মা শৌগাইজম ওংবী ইবেতোম্না হোৎনবীদুনা মহৈ-মশীন তমহল্লকখি। অসুম্না জোনষ্টোন স্কুলদা ক্লাস সভেন ফাওবা তম্লবা মতুংদা শৌগাইজম সমরেন্দ্রগী মতুংইন্দুনা খৃ: কুম ১৯১৩দা ধাকাদা লাইরিক তম্বা চৎখি। ক্লাস নাইন ফাওবা ধাকাদা মহৈ তম্বগী তাঙ্গক লোইশিনখি। খৃ: কুম ১৯১৫দা ত্রিপুরাদা অমুক চত্তুনা চহী খরা লৈখি। ত্রিপুরাদগী হল্লক্লগা শৌগাইজমদা অমুক হঞ্জিন্না চঙখিদ্রে। ৱাংখৈদা লৈবা মতমদুগী মণিপুর ষ্টেটকী দরবার মেম্বর অমসু ওইখিবা মাইবম শমদেনগী য়ুমদা লৈখি।

মতমদু মালেমগী অহানবা লাঞ্জাও অমসুং ইন্দিয়াগী নীংতম ঈহৌগী অকনবা খোঙজং চঙশিনখিবা মতমনি। অঙাং ওইরিঙৈদগী মীনা লাকচবা য়াদবা অচুম্বগীদমক লেপ্পা, অতোনবশিংবু য়োকখৎচবা পামজবা মীশক অমনি। মশাগী অশংবা মতমদা মীয়ামগা তোৎন-তিন্নদুনা মীয়ামগী অপাম্বা লম্বী থিবতনা মাগী শিন্থা ওইখি। মতমদুগী ফীভম য়াম্না কুপ্না থিজিন্দুনা অনৌবা নীংতম্বা পুন্সি অমা পুরক্লবা লেপ্তুনা হোৎনরকখিবা মীশক অমনি। খৃ: কুম ১৯২০ অশ্বাইদা লমদমসিগী শান্ন-খোৎনবা, খোরিরোল, লীলা-দ্রামা, লমদমসিগী মীয়ামগী শোত্থনা লৈরিবা হীরম কয়াদা শেল-থুমগী ফীভমদা মীৎয়েং থম্লকখিবা মীশক অমসুনি। খৃ: কুম ১৯২২দা 'মৈতৈ চনু' হায়বা চেফোং অমা পুথোক্তুনা মণিপুরী খোরিরোলগী লম্দা অনৌবা ঈথিল পুরকখিবনি। নেতা ইরাবতনা অহানবা ওইনা নোংচুপলোমগী চাওখৎপগী মমিদু ঐখোয়গী লমদমসিদা পুশিল্লক্লবা হোৎনখি। লীলা-দ্রামাগী লম্দসু থোইদোক হেন্দোক্লা মীয়াম্না শকখঙবা মীশক অমা ওইনা ঙসি ফাওবা নীংশিংনরি। তশেংনমক ইরাবত লম্ খুদিংমক্তা থৱায় য়াওজবা, লাক্কদবা লমদমসিগী পান্দম য়াম্না শান্না উবা ঙম্বা থোইদোক হেন্দোকপা মীশক অমনি। মহাক্তি মীওইপোক্তা অতাঙবা লাইপোক অমনি।

খৃ: কুম ১৯২৫গী এপ্রিল ৩০দা গোবিন্দজিগী মান্দবতা শান্নখিবা লাইরেনময়ূম ইবুংঙোহলনা ইবা ইতিহাসিক দ্রামা 'নরসিংহ' দা মহাক মশামক শক্তম লাংখি। অসুম্না দ্রামাগী লম্দা খোঙদারকখি। মহাক্কী শক্তম অদুমক মরৈবাক মরমদম্বু নুংশিবা মীশক অমগী শক্তমনি। মতমদুগী থোইদোক হেন্দোকপা মীয়ামদা পীরম্বা শক্তম অয়েংবশিংনা ঙসি ফাওবা ৱারীনরিবা মীশক অমসুনি। মমাঙদা 'অরেপ্পা মরুপ' হায়বা দ্রামাদা চন্দ্রসিংগী




শক্তম লাংখি। মহাক্লা শক্তম লাংখিবা লীলাদা মরৈবাক নুংশিবা, মমা-মচা অনী কায়নবগী শক্তম লাংখি। খৃ: কুম ১৯৩০গী এপ্রিল ১৭তা মীওই তরুক্লা শাবা কম্মিটি অমা শেমদুনা মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়ন শেমখি।

ঙসি ঙসিমক মণিপুরগী দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী 'লাঙ্গোল কারল' ওইবিবসি মহাক্লা পুথোক্লম্বনি হায়নরি। মতৌ অসুম্না লেপ্পা লৈতনা ইরাবত হীরম খুদিংমক্তা লমদমসিগী রেভল্যুস্নরি অমনি হায়না ঙসি ফাওবা মীয়াম্না মাবু ইকায়খুম্নবগী মফম পীবিরি।

মতৌ অসুম্না হীরম কয়াদা খোঙ থাংজিন্দুনা মণিপুরগী মনুংদা মহাক্কী তৌবা ঙম্বা মতিক-ময়াই, থৌনা-লিংজেল কয়ানা মাবু শকখঙদবা লৈরক্ত্রে। মহাক্কী মীথোই মীহেনবা কয়াশিংসিদা মতমদুগী নিংথৌকোলদা লৈবা মীশক কয়ানা মাবু মরী-মতা ওইনীংলকখি। ইরাবততা মহারাজ চুড়াচান্দগী ময়াম্বুং চন্দ্রহাসকী মজাইবেম্মা অহল খোমদোনসম্বাবু থাজদুনা লুহোংখি। মতম অদু চাউরাক্লা মশাগী চহী ২৭/২৮ লোম শুবা মতমনি। মতমদুগী অঙম-অথৌগী মচা-মশু অমগী তৌফম থোকপা অওং-অউনগা লোয়ননা মমাক ইবুংঙো হায়বা মিংথোল ফংদুনা লৈবাক্লা ইরাবত শকখঙবগী মহুত্তা হেন্না মপূং ফাবা মীশক অমগী শক্তম লৌরম্মী। মহাক্কী পুন্সিদা মতেক খরা ওজা ওইরম্মী। নিংথৌগী মচা ইবেম্মা খোমদোনসম্বাবু মাগী নুপী ওইনা ফংজবদগী সদর পঞ্চায়ট মেম্বরগী ফম অমা পীশিন্দুনা লজা ওইবগী শিনফমদগী পোথাখি। ইরাবতনা সদর পঞ্চায়ট মেম্বর ওইখিবসি খৃ: কুম ১৯২৭তনি। ফম অসি মতিক মগুন য়াম্না নিংথিনা চাউই। মতিক চাবা লৌ পরি ২৫, থাগী তোলোপকী মথক্তা পী। মতমদুগী খুঙ্গংগী থবক পূম্নমক পঞ্চায়টকী খুৎতা লৈ। মখোয়গী মথৌদি মপূং ওইনা হুরান-চিন্থি, অশোক-অপন থোকহনবা, মীগী মরল-মথুম, মীগী নুপী ঙাঙনরুবা অসিনচিংবা কয়া য়েংশিনবনি। ইরাবত শেঞ্জা থুমজা শুকয়া য়াদে। অচুম্বগীদমক লায়রবা অৱা-অনাগীদমক লেপখিবা মীশকনি। মহাক মতমদুগী ফম্নাইবমক ওইজরবসু মীনা মী ওৎপা য়াখিদে। ওৎপীরবশিংগীদমক্তা লেপখিবা তোপ তোপ্পা মীশক অমনি। মতমদুগী মীয়াম্না ইরাবতপু মমাক ইবুংঙো 'মেম্বর' হায়দুনা মী খ্বাইনা ইকায়খুম্নরিবনি। অসুম্না অচৌবা ফমগী মনুংদা লৈজরবসু মীয়ামগীদমক থৌনা ফনা লেপখিবা মীশকনি। মীয়ামগীদমক্তা খন্দুনা মশাগী ওইজবা কয়া থাদোক্তুনা ফম থাদোকখি।

ইরাবত তোল্ল-তারবশিং, শূরি-নোম্লিবশিংগীদমক মীয়ামগী য়াইফনবগীদমক মপূং ফানা পুখৎনবা হোৎনবদা থওই-ৱাওইবীদ্রবা মীচম মীয়ামগী পুন্সিবু হেন্না ৱাংনা পুখৎনবা অনৌবা অওনবা পুন্সি মরেল অমা ওইরক্লবা হোৎনরকখিবা মীশক অমনি। খৃ: কুম ১৯৩৯ 'নুপী লান' বু মণিপুরীগী পুৱারীদা ময়েক শেংনা থম্নবা মতম লৈবা খিবিক্তা মীয়ামগী থম্মোয়দা থেংনদুনতা লৈহৌননবা কন্না হোৎনৈ। মতৌ অসুম্না ইরাবত ফুরুপসিগী, খুন্নাইসিগী অপূনবা লিপুন শাগৎনবা, লোন, চৎনবী কয়া পুখৎনবা লোয়ননা মীওৎ-মীনৈ কয়াবু থেংনরম্মী। মতমদুগী ধর্ম্মগী মিংদা ওৎপা-নৈবা, অমাং-অশেংগী মতাংদা কয়া হনবা লৈতনা থেংনরকখিবা লুচিংবা অমনি। অমাং-অশেংগী মাংই হায়দুনা ইন্থোকপা, শিরবা মীওই অমবু মাংই-শেংই হায়বগীদমক পোৎলোইবা য়াদবগী চাউরবা ৱাথোক কয়া থোরকপদা ইরাবত মশামক্লা পোৎলোইবা, মশামক্লা ঈশৈ শক্তুনা শোরাৎ শোনখিবা, মখল মথেলগী ৱারী কয়া লৈরি। অমাং-অশেংগী মতাংদা ষ্টেট দরকারদা কেস ফাওবা থাঙ্গৎতুনা থেংনখি, মায় পাকখি। লৌমী মীয়ামগীদমক লৌমী লূপ শেমদুনা পুনশিন্নবা হোৎনরকখিবা লুচিংবা অমনি। খৃ: কুম ১৯৩৫দা নম্বোলদা লৌমীশিংগী অচৌবা মীটিং ফমদুনা মণিপুরী কৃষি সম্মেলনী' কৌবা লূপ অমা লিংখৎখি। মহাক মশামক্লা প্রসিডেন্ট অমসুং মাইমোম মধুমঙ্গল, ওক্রম ইবোমচা অনীনা মথংশিৎনা জেনরেল সেক্রেটারি অমসুং সেক্রেটারিনি। হায়রিবা লৌমী লূপ অসি নমথবীরবা লৌমী মীয়ামগীদমক থেংনখিবা লময়ানবা লূপনি। মতমদুদা মখল মখা কয়াগী ৱাকৎ পুখৎখি।

(১) লৌমীদগী লৌ শৎপা য়ারোই। (২) উতোং হুম্ফুমরিনা শংবাই শাগদবনি। (৩) সের নিফুনা মোন শাগদবনি। (৪) পিওন-আমিনগী চাকথাক ককথৎলু। (৫) য়াইরেক শন্ত্রি ককথৎলু। (৬) দোলাইরেং পোথাং বেকার ককথৎলু। (৭) চন্দোন শেনখায় লৌরোইদবনি হায়বনচিংবা ৱাকৎ কয়া তৌদুনা মতমদুগী লৌমী মীয়ামগীদমক অনৌবা লৌশিং কয়া পীরম্বা লময়ানবা লুচিংবনি। ইরাবতকী ৱাখল কয়াদা ফজখ্রবা চীংমী-তম্মী খেন্নবা থমদনা মচিন-মনাও ওইবগী ৱাখল শাগৎখি। ইহান হনবা ওইনা মীয়ামগীদমক পোলিটিক্সকী ঈহৌ শাগৎলকখিবা লময়ানবা লুচিংবা অমসুনি। নুপীলানগী মতমদা স্লোগান লাওবা য়াদবনা লম্বীদা ঈশৈ ওইনা শক্তুনা থৌদোক অদুবু য়ানীংদবা উৎপা ঙমখিবা অনৌবা শক্তম ঙসিগী মীয়াম্না কাউনদ্রি। অসিগুম্বা খোঙথাং কয়াসিনা ইরাবতকী মথক্তা মণিপুর ষ্টেট দরবারগী ক্রিমিনেল কেস লৈখি। সিলেট জেলদা থমখি। সিলেট জেলদগী থাদোরক্লবদা কম্যুনিষ্ট ওইরকখি। জেলদগী থাদোরক্লবদা মশাগী পোক্লফম লমদম মণিপুরদা চঙহনখিদে। অদুগুম্বা মরক্তা কম্যুনিষ্ট পার্টিগী মীফম কয়া লেপ্তুনা য়াওরুখি। মদুমক্লা অনৌ-অনৌবা ৱারোল কয়া পুরকখি। খৃ: কুম ১৯৪৮দা কোলকটাদা ফমখিবা কম্যুনিষ্ট পার্টিগী মীফমদা খূৎলায় পায়দুনা লালহৌবগী লম্বী পুথোরকখি। মদুদা ইরাবতসু শৌগৎতুনা মপূং ফাবা শরুক য়াখি। কম্যুনিষ্ট পার্টিবু নেসনল পার্টি অমা ওইনা শকখঙলকপদা ইরাবতসু মদুগী মপূং ওইবা অচঙবা মেম্বর ওইখি। খৃ: কুম ১৯৪৮গী এসেমব্লি মীখলদা মীয়ামগী মীহুৎ ওইনা উৎলৌ এ সীদগী ভোট কারকখি। মতমদুগী নহারোল অমসুং নুপী কয়াসু কম্যুনিষ্ট পার্টিদা য়াওনরকখি। খৃ: কুম ১৯৪৮গী সেপ্টেম্বর ২১দা এম দি য়ু হোলদা ফমখিবা মণিপুর কৃষি সভাগী মীফম য়াওবা লাকপা লমলাই মায়কৈগী মীয়াম্বু পুলিস ওফিসর খরনা থিংবদগী পুংদোংবম ঘটনা থোক্তুনা নুমিৎ অদুদগী ইরাবত অন্দরগ্রাউন্দ ওইখি। মাগী লিখুন তাকপা মীদা লৈঙাক্লা লুপা লিশীং ১০গী মনা ফাওবা লাউথোকখ্রবসু মীয়ামগীদমক হিংখিবা ইরাবতপু ফাবা ঙমখিদে। ইরাবত মীয়ামগী থবক হনবা লৈতনা লেপ্তুনা থেংনরকখি। খৃ: কুম ১৯৫০দা বর্ম্মাদা চৎতুনা ইরমদম লমদমসিগীদমক্তা অচৌবা থবক কয়া হনবা লৈতনা পায়খৎখি। খৃ: কুম ১৯৫১গী সেপ্টেম্বর ২৬তা বর্ম্মাগী তাংবো সেদো খুলদা পুন্সিগী অরোইবা য়াহিপ তানখি।

ইরাবতনা হীরম খুদিংমক্তা লমদমসিগী লমজিংবা রেভল্যুস্নরি অমা ওইনা লমজিং মৈরা চুখৎপীরম্বা মীশক অমা ওইরবসু, মপূং ওইনা পোলিটিক্সকী লম্দা অনৌবা অওনবা অচুম্বা খুন্নাই অমা পুরক্লবা হোৎনখিবা হেনথোইরবা লুচিংবা মীশক অমনি।

ইরাবত লম্ খুদিংমক্তা রেভল্যুস্নরিগী থৌদাং য়াখিবা লুচিংবা মীশক অমনি। ঙসিগী খুন্নাই অসিগী অৱাবা চৈথেং, মীওৎ-মীনৈ অসুম অসুম কনশিল্লক্লিবমখৈ ঐখোয়না ইরাবতপু নোংম-নোংমগী কাউবা য়াদনা লৈবা তারকখি। মহাক্কুম্বা থৌনা লৈবা কথোকপা ঙম্বা লমজিংবীনবা মীশক অমা ঙসিগী চরাংনরবা মীরোল অসিদা থিবা তাবনি। ●

# উমংলাই অমদি মীওইবগী পোকপদগী তাইবং শিন্থা পাংদুনা পুন্সিগী অরোইবা তানফমদু ফাওবদা পেনা অশৈবনা লৌরিবা থৌদাং

- থৌদাম কিসন মৈতৈ -

পেনা, মণিপুরী খুন্নাইগী পুন্সিরোলগা থাদোক্নবা য়াদবা য়েলহৌঙৈদগী লৈরক্লবা ফোলক ম্যুজিক ইনস্ত্রুমেন্ট অমনি। করম্বা মতমদগী ঙসিগী মালেমসিদা খুন্দারিবা ঐখোয় মৈতৈ/মীতৈ ফুরুপ কাঙলুপ অসিনা পেনা শীজিন্নরক্লবগে হায়বসি পুৱারীগী মীৎয়েংদগী তাকপদা অরুবা হীরম অমা ওইরি। অদুবু খুন্নাই অসিগী থাজনবীদা লৈশেমমঙৈদগী লৈরক্লবা পেনানি হায়না লৌনৈ। পেনাগী হৌরক ৱারীদা মণিপুরী খুন্নাইগী থাজনবীদা হিংদুনা লৈরিবা মালেম তাইবং শেমখিবগী ৱারোল খুন্নাই অসিগী হৌরকফম ৱারী, লাই-তিনগী ৱারী অমদি তাইবং মীওইবনা পোকপদগী হিংদুনা তাইবং শিন্থা পাংদুনা পুন্সিগী অরোইবা তানফমদুফাওবদা পেনাগা শাগোন্নদুনা থাদোক্নবা য়াদ্রবা অমা ওইদুনা লাক্লি। মরম অসি লৈবনা পেনা মরুনা ইমানি মালেমনি, পেনা চৈজিংনা ইপানি পন্থৌনি কৌরৌনি হায়না য়াম্না লুনা চেৎনা নিংনৈ। মৈতৈ/মীতৈশিংগী পোকপা লুহোংবা অমসুং শিবগী থৌরমশিংদা পেনানা অচৌবা মফম অমা কল্লকই। পুম্নমক অসিগী মথক্তা খুন্নাইগী পুৱারী, নাৎ, চৎনবী, ফিজেৎ-চাকচা, পুন্সিরোল, খুন্নাইরোল, থকসি-খাসি, শান্না-খোৎনবা অমদি লাইনিং অসিনচিংবগী হৌরকফম শকয়েং মিংশেল ওইদুনা মালেম অসিদা মৈতৈ/মীতৈ মশক তাকপদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা মৈতৈ/মীতৈ ঐখোয়গী লাইগী ওইরবা য়াম্না মরু ওইবা থৌরম অমসু ওইরিবা 'উমং লাই' হরাওবদা লাইগী ওইবা চাংদ্রবা য়াদ্রবা পোৎশক অমনি। উমংলাই হরাওবগী থৌরমদা পেনা অশৈবগী মখুৎসু ওইনা শীজিন্নদুনা পেনাগী মতিক ময়াইবু ঙসিগী মালেমসিদা মশক তাক্লি। পেনা অসি লমদম অসিগী নাৎকী থৌরমশিংদা য়াওদবা য়াদবা অমা ওইনা লাক্লি। নাৎকী থৌরমশিংদা পেনাগী মফম চাউনা লৈরকই হায়বসি পেনাগী মশিন অসিনা ময়েক শেংনা তাকই। পেনা অসিনা তৌগদবা কয়া কুপ্না খায়দোক্তুনা 'মশিল' লাইরিক্তা অসুম্না ইরি - 'নিংথৌগী অহিং ফম্মাং য়িশি খনগনি। য়াকৈরোল শক্লি। লময়িন থৌগল চৎকনি। তিনতৌ - লাইতৌ পুম্নমক চৎকনি। লাইপৌ অনোয়রোল শক্কনি। লাইগী তিনগী য়াহৌ য়াকৈ শক্কনি। তিনপাও লাইপাও শক্কনি। অহিং ফম্মাং য়িশি খনগনি। সঙকাই থোঙজিন ময়াইদা খনগনি। মৈতৈ/মীতৈশিংগী য়ুম্বাললোন য়াম্না কুপ্পি। তাইবঙ পানবদা নৌনা তাইবঙ য়ুম্বাল তৌদুনা তাইবং শিন্থা পাংনবা খোংদারক্লবা পী-পা অনী অদুনা য়ুম্বালবা মতুংদা নুপী লইবী অদুনা তাইবং মীতম্লকপা, অদুদগী অঙাং উনরবা মতুং য়ুমশেংবা, ইপান থাবা থৌরম, প্রিথাই খোংদাবী তাইবদা অঙাং অদুগী পুন্সি নুংশাংনবা, মশা-মউ ফনা লৈননবা, ফৌ শংবাই অথনবা চঙনরকই। মসিদা পেনানা থৱাই মীকৌরোল শক্নে। পাগী পারম পুগী পুরম শৈথাদুনা মমা-মপা অঙাং অদুবু তাহল্লি। পুন্সি নুংশাংনবা পেনা ঈশৈ শকপা লোইরবা মতুংদা পেনা শক্লিবা মীওই অদুদগী য়াইফ-নিনৈ। মতম অমা মণিপুর নাৎকী ফজরবা মচল অমা ওইরম্বা - পোকপদা পেনাগী মশিন থৌরম অসি হৌজিক্তি মমি শাম্মি তৌরি। অদুগা অমুকসু পেনানা লুহোং খোংদোংবা অমদি কৈনা কৎপগী থৌরম, তাইবং অসিদা পোক্লক্লিবা ইচা-ইশুশিং চাওরক শাংলক্লবা মতমদা ইচা ওইরবসু ইশু ওইরবসু মীচা ওইরবসু মীশু ওইরবসু থানবা লৌনবা মতম ওইরক্লবদা হায়নরে পীনরে, ৱারোইপোৎ হৈজিংপোৎনচিংবা পুনরবা মতুংদা পাক্ল-ৱাইনবা, তিঞ্জা লাইচা, নুমিৎ-থাঅফবা য়েংদুনা লুহোংবা তারবদা মাগী মাগী শাগৈ নাতৈ, য়েক-শলাই, মরুপ-মপাংনচিংবা পাউতাক পাউকৎনদুনা মখোয় মখোয়গী শুমাং-থেল্লোংদা উহৌ নীংথিববু হুৎ, মাগুপ চাওনা খন্দুনা অয়াম্বা মীয়াম তিন্দুনা নৌনা তাইবং য়ুম্বান তমগদৌরিবা নুপা-নুপী অনী অদুগী য়াইফনবগীদমক পেনা শকপনা পেনাগী লাইরোনগা লোয়নদুনা মপুগী মীংখৈ য়াওদুনা তাইবংনা হৌরকপা অমদি তইবংদা পুন্সি নুংশাংনা নুংঙাই য়াইফনা চারোল শুরোল তানা পান্নবগীদমক পেনানা লুহোংলম্মী। লুহোংবদা পেনানা শকনবা ঈশৈ অসি অয়াম্বনা মালেম লৈশেম্বা, নোংখোং কোইবা, পান্থোইবী খোঙ্গুল অমদি ঈশৈগী মতাংদা থৌবুরেলগী অপাম্বা মতুং ইন্না শক্নে হোঙই। তাইবং মপুনা শানবা লীক্লমদা শক্নে। মসিনা মৈতৈ/মীতৈ ঐখোয়গীদি পেনানা খ্বাইদগী মরুনি। খন্দুনা য়েংবিয়ু মৈতৈ/মীতৈ ঐখোয়গী ওইবা উমংলাই, সনামহী, পাখংবা অসি পুম্নমক্কী থৌরমদা পেনা নত্তনা পুং, ঝান, মাঙ্গং, রামতাল, কোর্তাল, মান্দিলা অসিনচিংবনা মৈতৈ ঐখোয়গী লাইগী থবক্তা হায়রিবা পোৎলমশিং অসিনা চৎনবা চন্নবা য়াদে হায়না তাকপিরম্মী। মরম অসিনা কোরৌ মালেমনা লৈরিবমখৈ মৈতৈ/মীতৈ ঐখোয়গী পেনা কৌবা পোৎাক অসিদি অমাং-অতা লৈত্রবা পোৎশকনি। অদুগা শক্ল-শোন্নবা মীদি অপোক অশি লৈবনা মথং-মতং শিন্নবা য়াই, পেনাদি অমাং-অতা লৈত্রবা য়াইনি। মসিনা পেনা শকপা অশেংবা পেনাগী পরিং-পথাপ খংনা শকপা, নিংশা (শুর) ৫, মিহুন (তাল) ৯ শুনা শকপা অমদি পেনাবু লাইনি নীংলিবা ওজা তোইনা খল্লিবা মী মহাক অদুতবু পেনা শকপা কৌদবা য়াদে। পেনাবু থৌওইদদুনা ওজাবু মাক খঙদ্রবা, থকশি-খাসি নাইদ্রবা মী অদুনা পেনাগী ওজা ওইবা য়ারোই। অদুগা ৱারম অমনা উমং লাইগী, সনামহীগী, পাখংবগী থৌরমদা পুং, ঝান, মাঙ্গং, রামতান, কোর্তাল, মন্দিলানচিংবনা কমদৌনা লাই লৌখৎপা য়াগদগে। অসি খংন-খংনা মীগী মপোৎ ওইবতবু লাইনি হায়বতা খন্নখ্রে। কুইররোই মীগী নমথাক্কী পোৎনা লৈখা তাখ্রগা ঐখোয়গী পোৎ ওইবদি মউ ওইনা লেপহৌবদি শোয়দ্রবনি। ঐখোয়গী পোৎ ওইবদি উমং লাই, য়ুমগী সনামহী, পাখংবা, লাইয়ামগী থৌরমদা মউ ওইরগা শক-শোনবনা পেনানা শক-শোন্নরগদবনি কাওগনু হে মীওইবা হায়না পেনা পুয়াদা পল্লম্মী। মৈতৈ/মীতৈ ঐখোয়দি য়েলহৌঙৈদগী পেনানা লান্ন-থৌরম শোল্লমি, পেনানা ফিরোইনচিংবা থৌরম কয়াদা অদুমক পাংথোক্তুনা লাকই। মৈতৈ/মীতৈ ঐখোয়গী পোকপা-শিবনচিংবা থৌরম পুম্নমক্তা পেনাতনা শক্ল-শোন্নরমই। মরম অসি লৈবনা পেনাবু লাইনি হায়রিবনি। অদুগা অমুকসু কনা-কনাগুম্বনা খংদবদগী পেনা মরুমলাই হায়জিল্লে, হায়হৈদবা অমসুং তৌহৈদবা ৱাহৈনি। মসি পুম্নমক অসিবু লাই নামুংবা লাই নামুংবী অনীনা পুথোকখিবা ঙাক্তনি হায়না তাকপিরম্মী। অদুনা লাই নামুংবা, লাই নামুংবী হায়রিবা অসিদি হায়হৈদবা, হায়হৈদবী মিং পলহৈদবা, পলহৈদবী হায়বনি। অদুনা ইবুংঙো ইবেম্মা অহিং নুংথিল ওইরিবা মপু অসিনা শেমখিবা ঙাক্তনি। মরম অসিনা তাইবং অসিগী খোন্থোক পুম্নমক অসি পেনাদগী লৌবনি হায়রিবনি। মরম অসি লৈবনা পেনাগী মরুনা ইমানি, চৈদিংনা ইপানি পীগা-পাগা অনীনি, অদুনা লাই অনীগী শক্তম ওইবনা পেনাগী মখোলতবু হেক তাবা মতমদা অয়ুক-নুংথিল নুমিদাং খক্তনা মীওইবগী পুক্লিংবু ইথক হৌহনদুনা পুক্লিং ফাবা ঙমদবা মখৈ কল্লকপা, নুংশিবা অমদি মীহৌবা পোকহল্লিবনি। ৱাফম অসি লৈবনা লাইগী মীগী থৌরম পুম্নমক্তা পেনাগা শরীক্কনা মকোক ওইরিবনি। মৈতৈ/মীতৈ ঐখোয়না পোক্লবসু মঙানি তরুক্লিগী থৌরমদা পেনানা তাইবং মপুগী মীংখৈরোলগা লোয়ননা লাইরোন কয়া শক-শোন্দুনা পুক্লিং নুংঙাইনবগী থৌরম মতম কুইনা পান্নবগীদমক পেনাগী শৈশক কয়া শক্তুনা হরাউ কুম্মৈগা লোয়ননা থৌরম পাংথোক্লরম্মী। অদুগা মৈতৈ/মীতৈ ঐখোয়না শিরবসু তাংইবংদা লৈহৌরিবা ইচা-ইশু নত্রগা ইমা-ইপা, শাগৈ-নাতৈ, য়েক-শলাইগী মীওই পুম্নমক্লা শুমাং থেল্লোং অপাল ফমগী মফমদা পেনানা লাইরোল কয়াগা লোয়ননা মপুগী মীখৈবু শোন্দুনা থৌরম পাংথোকই অদুগা ওল্লকপা চহীগী ওইবা ফিরোই লৈখিদবা নুমিৎ মতম শুরকপদসু শাকৈ য়েক-শলাইগা লোয়ননা মমা-মপা, মচা-মশু লৈহৌরিবশিংনা মাগী শুমাং থেল্লোংদা উহৌনিংথিবা হুৎলগা মাগুপ চাওনা খন্দুনা মরুপ অরাপ্পা পাউজেলনা মঙাই অরাপ্পা পাউতাক্লদুনা ফিরোই ফিঙম তাইবগী হৌনবী চাক-ইন্সাং থোং থাক্তুনা ক্বানচিংবা হৈ-লৈ কত্তুনা লৈখিদ্রবা অদুগী মফম ফজনা থারগা লাংলিবা পোৎলম পুম্নমক অদু কৎলগা য়াইফ থৌরমগা লোয়ননা পেনানা লাইনিংথৌ লাইরেম্বী অনীগী মিংলেনগা লোয়ননা শক শোন্দুনা মথৌ মঙম পাংথোকই। অদুগা শিখ্রবা অদুগী মিং থিনগৎপা তারবদি ঐখোয় লৈবাক্কী ওইবা লাইফম ৩৬৪ অসিদা লোয়না থিনগৎলগা অরোইবা অৱাং কৌব্রুগী চীংদোলদা য়ৌনবা লাইনিংথৌ লাইরেম্বীগী মফম য়ৌনা মৈরাগা লোয়ননা কৎকদবনি। অসুম্না অশিবা, শিখি নাখিবা মীগী থৌরমশিং অসি পাংথোকই। উমং লাই হরাওবা মতমদা পেনানা কদায় ফাওবা চন্নবগে হায়বগী মরীদা - অহানবদা লাই লৌখৎপদসু পেনা য়াওগনি অমসুং খোংগনি। লাইমাং য়ৌবদসু ফমদেংলগা লাইমাংদা ফম্মাং থৌগল ঙাইহাক লাইরোনগা লোয়ননা শক্কনি। নুমিদাং য়ৌরবা মতমদা পেনানা লাই নাওশুমগনি। নোংঙাল্লগা পেনানা য়াকাইগনি। অদুদগী নুংথিলদা পেনা শকপনা লৈগী লৈরোল থাদুনা লাইদা কৎলগা লারোই শিংলোইনা মীয়ামদা লৈ লাংগনি। অদুদগী মাইবনা হোই লাওগনি, পেনা খোংবনা পেনাগী লমইন মরোল খোংদুনা মাইবীনা লাই চীংথোক্কনি। লোইরগা পেনাগা মাইবীগা লাই পুবশিংগা লোয়নদুনা লাইবৌরা থারিবা অদু ৩ লক কোইগনি। মদুদগী হোইরৌ-হৈয়া লাওরগনি। পেনা খোংবনা হোইরৌ-হৈয়া লাওবা মতমদা খোং খুৎ লেংবা য়াদে। অসুম্না হরাওরকপনা লোইগদবা (লাইরোই) নুমিত্তদি অয়ুক্কী য়াকৈবদা থৱায় কোনবা মতমদা তঞ্জায় কোল্লম্লগা লাইবৌরা থারিবা অদুগী মখাদা থম্লমগনি। নুংথিলগী লাই শান্নবা লোইরমদাইদা হৌইরৌ ৩ লক হঞ্জিনগনি হৈয়া ৩ লক হঞ্জিনগনি অদুগা মপুগী ফিদুপ ৩ দা হঞ্জিল্লগা মউ-মরু অমতং লেপ্লগা মউ-মরু অদুদা থৱায় কোনগনি হায়না অসুম্না তাকপিরম্মী। অদুগা মথক্তা হায়খিবা অমনা মাইবনা হোই লাওবা মতমদসু পেনাদি তোকপা য়াদে, পেনাসু য়াওনা হোই লাওমিন্নগদবনি। অসুম্না মৈতৈ/মীতৈ ঐখোয়গী থৌরম পুম্নমক্তা পেনানা চন্নদবা লৈতে। মঙানিগী লৈ খোমবদসু পেনা য়াওফম থোকই। কৈনিং কুম্বদসু পেনা য়াওগদবনি, চাক্লোন কৎপদসু পেনা য়াওগদবনি, কুম চনবদসু পেনা য়াওগদবনি। অদুগা মথক্তা হায়খিবা লাই হরাওবা মতমদা লাই লম থোকপদসু পেনা য়াওগদবনি, লাই লৈকাই কোয়বদসু পেনা য়াওগদবনি, নিংথৌনা ফম্বাল তোংবদসু পেনা য়াওগনি অদুগা পাখংবা ফম্বাল কারবসু পেনা য়াওগদবনি, অপুম্বী-শোয়রেন নোয়রবসু পেনা য়াওগনি। তাইবং ফাওরকপা মতমদা নুমিৎ ৬ নি শুবদা মীওইবগী শিদয়াই-নাদয়াই অমদি তাইবংদা মতম কুইনা পান্নবগীদমক তাইবং শেন্লকপা মপুদা থৌনিনবগীদমক লৈজবা হৈ-লৈ অথুম অহাওনচিংবা কত্তুনা কংলৈ মাগুপ চাওনা খন্দুনা মীয়াম খোমদুনা পেনা শকপনা ফমফমবু ফমদুনা মচা-শেবকনা পাংদুনা মপুগী মীখৈগা লোয়ননা পেনাগী লাইরোন পরিং পতাপ কায়দনা শক্তুনা থৌরম পাংথোক্কদবনি। অদুগা পেনা শকপনা ফমগদবা মফমদি - শুমাং খাংঙেনফমদগী থাগাই ১ চংশিল্লগা হিদাল ওইরবসু কাংথোল ওইরবসু থাদুনা মদুদা ফমগদবনি। পেনা পল্লা ওইনা শকপা লৈরমদে, ফমশক ওইনদা শক্ল রম্মী। হৌজিক্তি পেনা পল্লা শক্লরক্লে, পেনাদি পল্লা শক্কদবা নত্তে, থক্তা হৌখিবা চক কয়াদা নিংথৌরোল হাক্তক কয়াদা পেনাবু পল্লা ওইনা শক্কদবা নত্তে, পেনাদি ফমশক ওইনা শকপনা ফজবা হেল্লি। লেপ্লগা পেনা খোংবা অমসুং শকপদি লাই হরাওবদা শকপা-খোংবনা ফজবা হেল্লি। লাই হরাওবদা পেনা খোংবা পেনানা হোইরৌ - হৈয়া লাওবগী মতাংদা অহানবদা পেনা লমইন মরোনগা লোয়ননা মাইবীনা লাইচিং জগোয় শাগনি, মদু লোয়রগা লাইবৌরা থারিবা অদু পেনা খোংবা মাইবী লাই পুবা-পুবী, লাইবৌ চোংবা-চোংবী ময়ামগা লোয়নদুনা লাইবৌরা থারিবা অদু ৩লক কোয়রগা ৩ লক শুবা মতমদা পেনা ফোংবনা লাইবৌরা থারিবা মফমদা থাংজিংলোমদগী চাংদুনা লেপ্লগা, হোইরৌ-হৈয়া লাওরগনি অদুনা পেনাদি খোংলোই। পেনা খোংগদবা মতমদি হোইরৌ ৬, হৈয়া ৬ লাওরবা মতুংদা হৈঙৈদা নোইবদি মীনা ৱাইনা নোইয়ে, হে তাংনা সমনা নোইয়ে। মসি ফাওবা খোং খুৎ হকচাং অমফাওবা লেংবা য়াদে। কোরৌ হৌঙৈদা নোইবদি মালেম মদাইমদা নোইয়ে হায়বা মালেম লৌরকপা মতমদা পেনাগা মাইবীগা য়েংনরগা চপ মান্নবা খোং খুৎ ফুক্তুনা থাংগদবনি। অদুদগী পেনাগী অনোইরোল শক্লগনি। অসুম্না শক্লবা মতুংদা লাই হরাওবগী থৌরম পরেং মথং-মথং চখ্থরগনি। লাই হরাওবা হৌবদগী লাইরোই নুমিত্তা লাই ফমবাল কাদ্রিবফাওবা পেনাদি লেপ্তুনা খোংগনি। হৌজিক্কী মতমদা ঐখোয়না লাই নোংগাবা হায়রিবা অসি মমাংঙৈদদি লাই ফম্বাল কাবা হায়না হায়নরম্মী। হৌজিক শীজিন্নরিবা নোংগাবা হায়বা ৱাহৈ অসি হায়হৈদবা তৌহৈদবা ৱাহৈ অমনি। নোংগাবা হায়বা অসিদি শিখ্রে হায়বনি। লাইবু শিবা হৌনদে। নোংগাখ্রবদি মতুংদা অমুক হরাওবা লৈত্রে; লাই অদু মপোক লোইখ্রে; হায়হৈদে-তৌহৈদে, নামুংবা ৱানি; অদুনা ফম্বাল কাবা অমসুং ফম্বাল তোংবা হায়গদবনি। পুম্নমকসি য়েংলুরগা মপুমদা পেনা শৈশক্লোন অসি মখল য়াম্মী। শৈশক্লোনশিং অসি য়েংলুরগা চাওরাক্লা মখল ৫ থোক্লা য়েংবা য়াই। মখোয়শিং অদুদি - অপোকপগী শৈশক, অশিবগী শৈশক, পুন্সিরোলগী শৈশক, হরাও শৈশক অমসুং থৌগল শৈশক অসিনচিংবনি। মণিপুরী খুন্নাইগী চৎনরোন্দা ঙল্লিঙৈ মতমদগী খুন্নাই অসিগী থাজনবীদা লৈশেমঙৈদগী লৈরক্লবা পেনাবু লুনা থাগোন্নজরিবা অশৈবশিংনা পেনা লাইমকনি খন্দুনা পেনাগী মতিক ময়াইবু ঙসিগী মালেম তাইবং অসিদা মশক তাক্লবা হোৎনরি। পেনা হায়বসি তেংবানববু শেম্বীরিবা য়োকপিরিবা অমদি নোংদম্বীরিবা শকউদবা পলেম-পন্থৌ অনীগী মশক্লি। তশেংনমকসু পেনাদা লৈরিবা মৈতৈ/মীতৈ থাজনবীদি অশৈবগী খুৎ য়েৎনা পাইরিবা চৈজিং কুরু/গুরুগী মশক্লি, থাদা পল্লিবা মরুনা লৈমরেল ইমাগী শক্লোননি। অদুগা নৌনা পেনাবু পাজনা পেনাবু খোংলিবা মীওই খুদিংমক্লা পেনাগী মতিক ময়াই, পেনাবু মশক খঙনা শীজিন্নবগী তাঙাইদবা লৈব্রা খঞ্জে। অদুগা অমুকসু পেনা অশৈবশিংগী থক-খা করম্না খাইবগে হায়বা মীংগৌরোল, লাইগী ওইবা লিক্লম ঙসিগী হৌরক্লিবা পেনাবু পামজবা মীওইশিংনা খঙদবা য়াদবগী তঙাইফদবা লৈ। অদুবু হৌরক্লিবা মীওইশিং অদুনা খংবা ৱাৎপনা পেনাগী ফজখ্রবা থকশি-খাসিগী লিক্লম অসি মাংখিবা য়াবগী অকিবা লৈরে হায়না লৌদবা ঙমদে। মসিনা মরম ওইরগা নৌনা পেনাবু থৱায়মক্লি খঞ্জরিবা পামজবা হৌরক্লিবা মীওইশিংনা পেনাগী মতিক ময়াই খঙনা ঐখোয় পুন্না শীজিন্নমিন্নসি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।